ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, সেপ্টেম্বর ০৪, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৬০শুবা মশীং

## ইন্দিয়া-চাইনা অয়ৌবী থাক্তা মুক্লরকপা

### চাইনাগা লম্বা পাবা ঙম্বগী থাক য়ৌনা পাঙ্গল কল্লব্রা

হৌখিবা মে ৫দগী য়ূমলোন্নবা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা মুক্লদুনা লাক্লি। য়েৎনরিবা লদাখকী পাঙ্গোং লেক, টিবেট ওটোনোমস রিজন অমদি সিকিমগী ঙমখৈদা নাকল অনীগী লান্মীশিং মরক-মরক্তা খূৎ থোক্লদুনা লাক্লি। য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনী ইহান হান্না য়েৎনরকখিবগী মরু ওইবা মরমদি গলৱান রিভর ভেলিদা ইন্দিয়ানা লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎলুবদগীনি। হৌখিবা মে থাদা ইন্দিয়ানা গলৱান তম্বাক্তা লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎলুবদা চাইনাগী লান্মীশিংনা অথিংবা পীরকখি। মদুনা মরম ওইরগা নাকল অনী মুক্লরক্তুনা জুন ১৫ অমসুং ১৬তা খূৎ থোক্লরকপদগী ইন্দিয়ন আর্মিগী ওফিসর অমা য়াওনা লান্মী ২০ শিখি অমসুং চাইনীজ লান্মী ৪৩ অশোক-অপন নংখি। মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্নদি নাকল অনীমক্লা অমগী লান্মী অমনা ফাজিন্দুনা থম্লবগা লোয়ননা নুমীৎ খরনিগী মতুংদা থাদোক্লখি হায়রি। নাকল অনী অয়ৌবী থাক্তা মুক্লরক্লবসু ইন্দিয়ানা য়েৎনরিবা ঙমখৈদা অহেনবা শিন্মী ১২,০০০ থাজিন্দুনা বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসন (বি আর ও)গী মতেং পাংহল্লগা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক মখা চত্থনবা থৌরাং লৌখৎখি। মতম অমদা অফবা মরী থম্নরম্বা নৎত্রগসু অদুক হাক্লা য়েংথীনরমদবা লৈবাক অনী অয়ৌবী থাক্তা মুক্লরকপগী মরু ওইবা মরমদি ইন্দিয়ানা লদাখতা দার্বুক-শ্যোক-দি বি ও রোদ ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট পায়খৎলুবদগীনি হায়না অখঙ-অহৈ কয়ানা মোৎ পীরি। অদুগীসু মথক্তা মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পীরম্বা স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখিবগী থৌওং অদু চাইনানা অকনবা মওংদা য়ানিংখিদে। চীনবান থোক্লা ফোঙদোকপমক নৎত্রগসু নাকল অনীমক থরুম তৌদুনা অচেংবা তাঞ্জা ঙাইনদুনা লাকপগী মওং অমা উবা ফংখি। অদুবু জুন ১৫দা নাকল অনীগী লান্মীশিং গলৱান তম্পাক্তা খূৎ থোক্লখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়া-চাইনা য়েংথীনবগী চাং তপ্না-তপ্না হেনগৎলকখি। য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীগী ঙমখৈদা য়েৎনবা কয়ামরুম লৈরিবসি মতম কয়াগী মমাংদগীনি। ইন্দিয়ানা পায়রিবা মেপতা য়াওবা লাইন ওফ একচ্যুয়ল কন্ট্রোল (এল এ সী)গা চাইনানা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমগা য়াম্না চাউনা খেন্নবা লৈরি। চাইনানা ক্লেম তৌরিবা মফমশিংগী মনুংদা লদাখ অমসুং নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী অরুনাচল প্রদেশ য়াওরিবনি।

কুমজা ১৯৮০গী পরিংদা নাকল অনী কয়ারক হন্না ৱারী শানদুনা ঙমখৈগী চয়েৎনবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখ্রবসু থোইদোক্লা কান্নবা ফংখিদে। ওবজর্ভর রিসর্চ ফাউন্দেসনগী রিপোর্ট অমনা হায়, কুমজা ২০১০দগী কুমজা ২০১৪ ফাওবদা লৈবাক অনীগী ঙমখৈদা থোকখিবা থৌদোক অয়াম্বা মীদিয়াদা ময়েক শেংনা রিপোর্ট তৌখিদে। মমাঙ চহীদা চাইনাগী পীপল্স লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)না লাইন ওফ কন্ট্রোলদা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী থৌদোক ৬৬০ থোকখি অমসুং নোংথক-লম্বী লানশিল্লকপগী থৌদোক্লা ১০৮ লক থোকখি হায়না ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৱাকৎপা লৈখি। মতৌ অসুম্না নাকল অনী ঙমখৈদা মুক্লবা অমদি খৎনবগী থৌদোক কয়ারক থোকখ্রবসু শাংলবা চহী ৫০ রোম অসিদা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমা ফাওবা থোকখিদ্রি। কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বরদা চাইনীজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা ন্যু দিল্লিদা লাকখিবা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙমখৈগী চয়েৎনবা কোকহন্নবগী মতাংদা ৱারী শানখি। অদুবু কুমজা ২০১৭তা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং দোক্লামদা নুমীৎ ৭৩ রোম মুক্লখি। মতুং তারকপদা নাকল অনী মুক্লবগী চাং হেনগৎলক্তুনা হৌখিবা জুন ২৯দা ইন্দিয়ানা টিক-টোক, শ্যের ইট, য়ু সী ব্রাওজর, ক্লব ফেক্টরি অমসুং কেম স্কেন্নর য়াওনা চাইনাগা মরী লৈনবা মোবাইল এপ্লিকেসন ৫৯ অথিংবা থমখি। জুলাই থাদসু চাইনাগী মোবাইল এপ্লিকেসন ৪৭ অথিংবা থমখ্রবনি। খ্বাইদগী ইকোন-কোনবা ওইনা হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমীৎতা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্লোলোজিনা পবজি য়াওনা চাইনাগা মরী লৈনবা মোবাইল এপ্লিকেসন ১১৮ অথিংবা থমখি। মোবাইল এপ্লিকেসন অদুগী মনুংদা মীয়াম্না পাম্নরবা পিটু, ৱি চেট ৱর্ক, সাইবর হন্টর, লুদো ৱর্ল্ড- লুদো সুপরষ্টার, ভিদিও প্লেয়র, বাইক রেসিং অমদি ক্লিনরনচিংবা য়াওরি। নাকল অনী মুক্লরকপা মতমদা ইন্দিয়াগী ওইনা মাঙজবা কয়ামরুম লাকপা য়াই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মোৎ পীরি। চাইনাগীদমক্তদি ইন্দিয়াগা মখল অমত্তগী মরী থম্নদ্রবসু থোইনা মাঙজবা লৈরোই। হীরম অমত্তদা চাইনাগা লম্বা পাবা ঙম্বগী থাক য়ৌদ্রিবা ইন্দিয়াগী ওইনদি তুংদা মাঙজবা কয়া লাক্কনি হায়না থাজনরি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১

১। মণিপুরী সাহিত্যগী চানক্য শ্লোকনি হায়নফাও শীংথানরিবা লাইরিক অদু করিনো?

২। “লম্লান কাইগী খোয়রোয়দি লোয়ুম্বা পাম্মু নংবু
মীচা পোক্তি নুংশিবা। চেংগৈ পাৎতা পাইবা-খোই,
ঙাঙৌ পাৎতা চাকতাবা, চিংজাও খোইমু লৈপাম্বা,
তত্ব মুহি খাংনৌবা”

মথক্কী অসি কনানা কনাদা শৈথাবনো? করম্বা মতাংদনো?

৩। মণিপুরী সাহিত্যগী অঙনবা মতমদা ফোঙখিবা ৱারী মচা অমনি “বাসন্তিগী নুংশি-মীনোক” হায়বসি। ৱারী মচা অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা চহীদা ইহান হান্না ফোঙখিবগে?

৪। “নিঙোলগী হৌনসানি। মৈতৈ লৈপাক অরাপ্পা নত্তে, য়ুম্লোন্নবনি, থাপতোক্লবা য়াদ্রবনি। ...মৈতৈ নত্তনা চীংগী কনাসু লৈতে, মৈতৈগীসু ঐখোয় নত্তনা লৈতে।”

শক্লাইরবা অইবা অমনা ইবা উপন্যষ অমদগী লৌথোরকপা য়াম্না খঙনরবা ৱাহৈ পরেংশিংনি। মসি কনানা কনাদা হায়বনো?

৫। মণিপুরগী শক্লাইরবা নোবেলিষ্ট ব্রজমণি মাইস্নাম্বা না ইবা ত্রিলোজি নিংথেমনুবী হায়বসি করম করম্বা নোবেলশিংনা পূনশিনবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মীতৈলোলবু অসামগী এসোসিএট লেংগ্বেজ ওইহন্নবা হোৎনবদা মণিপুর মীয়ামগী থৌদাং

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

লৈবাকমচাশা ঐখোয়সু করিগুম্বা মচং ওইবা থৌদাং খরদি লৌবা চুম্মীকো অসামগী মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙলশিং মমালোল ওইরিবা মীতৈলোলবু অসাম গভর্ণমেন্টনা মশক খঙবীদবদগী অৱাবা, খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবসিদা। খন্দুনা য়েংবীয়ু মমালোলদা মহৈ-মশীন তম্লুবগী কান্নবা লৈরোইদবগী ফীভমদা লৈরে, করিনা হায়ববু অসাম লৈঙাক্লা শকখঙলবা অসামি, বেঙ্গলি অমদি বোড়ো লোলদা মহৈ-মশীন তম্লক্তবশিংনা লৈঙাক্কী থবক তৌবা য়ারোই হায়বা ফিরেপ অমা মখৌ পোঙনা লৌখ্রে। শম্না হায়রবদা লোল অহুম অসিদগী লোল অমদা মহৈ-মশীন তম্লকপা তারি। ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা লৈবশিংনা অসামি লোলদা মহৈ মশীন তম্বা, বরাক তম্পাক্তা লৈবশিংনা বেঙ্গলি লোল অদুগা বোড়োগী লমদা লৈবশিংনা বোড়ো লোলদা ইবা-পাবা তৌদুনা মহৈ-মশীন তমগদবনি হায়বা ফিরেপ অদু লৌখিবনি। অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন্না লৌবা থবকশিং হায়রিবা লোল অসিগী মনুংদা এগজাম থাবা য়াগনি। মীতৈলোল (মণিপুরী) না এগজাম থাবগী অয়াবদি অসাম লৈঙাক্কী ফিরেপ অসিনা পীদ্রে। অদু ওইরবদি মীতৈলোলদা অৱাংবা থাক্তা মহৈ তম্লুরবা মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙলশিং অসিগী তুংগী পুন্সিদি করি ওইবা তারে? মতম চঙনা, শেল তিংনা চহী কয়া মহৈ তম্লুবগী করিদি কান্নরি। য়ুনিভর্সিটি থাক য়ৌদুনা মীতৈলোল হায়রিবা সবজেক্ট অসিদা ডোক্টরেট দিগ্রী ফাওবা ফংবা মীওই কয়া লৈরে। মখোয় অদুবু কাঞ্জ থাঙ তাদুনা মপুন্সি লোমখিবগী ফীভমদা লৈরে। অমরোমদা য়েংবীয়ু য়ুনিভর্সিটি অমনা মতিক চারে হায়দুনা পীরক্লবা দিগ্রী অদু অসাম লৈঙাক্কী মখাদা লৌবা থবক্কী মতাংদদি চন্নফম লৈত্রে। অদুবু অসাম লৈঙাক্লা মীতৈলোলনা মহৈ তম্বিবা স্কুল কয়া হৌখিবা চহী ৫০গী মমাঙদা লীংখৎতুনা মহৈ তম্বীখ্রে। কোলেজ কয়াদা মীতৈলোল হায়বা সবজেক্ট অসি তম্বীহনখ্রে। শম্না হায়রবদা অসাম লৈঙাক্লা ঙাল্লিঙৈদগী মীতৈলোল হায়বা লোল অসি অসামদা মশক খঙই হায়বা তাকপনি। অদুগা ঙসিনা করি তৌরবা? পূম্নমক তায়োন্নরবা ? মথক মখা লোইনা ওন্থোকপসিদি করি থম্মোয়নো হায়না হংলি।

মণিপুর মীয়াম্না করম্না মতেং পাংবা য়াবগে হায়বসি খন্নবা য়াই। অমরোমদা খন্নদুনা লৈবগী মতম অদুদি হৌখ্রবনি। মদুগী মহুত্তা তৌবা য়াবা কয়া থবক ওইনা ওন্থোক্তুনা অসাম লৈঙাক্তা অকনবা মওংদা তকশিনবগী খোঙথাং কয়া পায়খৎফম থোক্লবনি। পায়খৎফম থোকপা থবক কয়া হায়বসি করি-করি থবকপু ওইগদৌরিবনো হায়না থিবদা করিসু থোইনা অরুবা থবক নত্তে। অসিগুম্বা লৈবাক মীয়ামগী ঈহৌ কয়া মাঙলমচৎতা লৈখ্রবনা করি করম্না, করম্বা মওংদা থেংনগদগে হায়বদু ইখঙ খঙনরবনি। মণিপুর মীয়াম হায়বসিদা খূৎ থেক্তুনা পাবদদি মশীং য়াম্বা নত্তে হায়বদি চীংমীশিংগীদি মীতৈলোল অসি মমালোন নত্তবনিনা ৱাথোক অসিদা ৱাখল থাদররোই। মসি হায়-হায়দুনা ৱারৌনবদি য়াবা নত্তে মরমদি তাইবঙ মীওইবা হায়বসি অসুম্না অদুমক তৌনবনি। অদুনা মীতৈলোলনা মমালোল ওইবা মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙলশিংনা অসামগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা করিগুম্বা খরদি তৌবা চুম্মী। তৌবা য়াবা থবক কয়া লৈবগী মনুংদা তৌবা য়াবা অমদি ৱাকৎ চেরোল কয়া মণিপুরগী লূপ কয়ানা অসামগী চীফ মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, গভর্ণরদা পীদুনা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা তকশিনবা য়াই। প্রাইম মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা মরীক চুম্বা ৱাকৎ চেরোল থাদুনা অসাম লৈঙাক্তা পাউতাক পীবিনবা তকশিনবা চুমগনি। মণিপুরগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনচিংবদসু ৱাকৎ চেরোলশিং পীশিন্দুনা মীতৈলোলবু অসাম লৈঙাক্কী এসোসিএট লেংগ্বেজ ওইনা শকখঙবীনবা তকশিনবা চুম্মী। থবক অসি তৌদবমক্তি নত্তে অইবশিংগী লূপ খরনা তৌবা হৌখ্রে। অদুবু লৈরিবা লুরবা ৱাথোক অসিগা লূপ খরনা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোলশিং অসিনা য়ারগদ্রা হায়বা ৱাফম অমদি লাক্তবদি নত্তে। তশেংনমক হায়বা তারবদি খরা অসিনদি মতিক চাবা হায়বদুদি নৎত্রি। ৱাথোক অসি লুবনিনা মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙলগী তোঙান-তোঙান্না লৈরিবা লূপ ময়াম অসিনা ৱাকৎ চেরোল থাদুনা মীতৈলোলবু অসামগী এসোসিএট লেংগ্বেজ ওইহল্লু হায়দুনা তকশিনবা চুমগনি। লূপ খরনা তৌখ্রে মদুনা য়ারনিদা হায়দুনা তুমিন্না লৈথোকপনদি থবক অসি মায় পাক্লোই।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা মণিপুর মীয়ামগী থৌদাং অসি ফনা য়াম্নদি ৱাৎলি হায়বদা লানগনি হায়বা নীংদে। অসামদা খুন্দাখ্রবা মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙলশিংনা মরমদম অসামদা থেংনবা ৱাথোক ওইবনিনা মণিপুর মীয়াম্না থোইদোক্লা করিসু তৌনীংঙাই লৈতে হায়না খনবগুম তৌই। মণিপুর অমদি অসাম অনীমক তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমমমনি, মণিপুরগা হেক হকথেংননা থোকপা ৱাথোক নত্তে হায়বগুম্বগী ইহুল অমা মণিপুর মীয়ামদা চেনবগুম তৌই। মসি মণিপুর লৈঙাক্তসু লৈগুম তৌবা উই। লৈরমদবদি য়াই। হোয়, অমরোমদা লৈঙাক্কীদি তৌবা য়াবা/য়াদবা কয়া লৈ করিনা হায়ববু তোঙানবা ষ্টেট অমমমগী তোঙানবা লৈঙাক লৈনবনা মীচম মীয়াম্না হায়নীংবা, তৌনীংবা অদুগুম্না তৌরুবসু য়াবা নত্তে। মসিগুম্বা কয়া লৈদুনসু লৈঙাক অমনা লৈঙাক অমদা হায়বা য়াবা, তকশিনবা য়াবা মওং কয়া লৈ। মদু পূম্নমক্তু তৌরম্লগনি মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনদি। মদু ওইদুনসু অসাম লৈঙাক্লা মীয়ামগী ৱাকৎ অসিবুদি থবক ওইনা পাঙথোক্লকপা উদ্রি। শম্না হায়রবদা লৈঙাক্কীদি ৱাথোক অসিগী মতাংদা মখূৎ খরা তেল্লবনিনা লন্নাই লূপ ময়াম্না তকশিনবগী খোঙজং অমদি চঙশিনবা ফরে। করিগী তঙাইফদ্রিবনো হায়বা তারবদি ৱাথোক অসি অতৈগী নত্তে ইমালোলগী ওইবা ৱাথোকনি। অসামদা লৈবশিংনা লোল্লিবা লোলসু ইমালোল মীতৈলোলনি অদুগা মণিপুরদা লোন্নরিবা লোল অসিসু ইমালোল মীতৈলোলনি। অনী অসিদা করিবু খেন্নবা লৈরিবগে? লৈতে, খেন্নরিবা হায়ববু তোঙানবা লম ওইবখক্তনি হায়বদি মণিপুর অমদি অসাম ওইবখক্তনি। ইমালোলসি মণিপুরখক্তগী নত্তে। অমেরিকা, ইংলেন্দ, ফ্রান্সনচিংবা মালেমগী লৈবাক কয়াদা ইমালোল মীতৈলোলবু থওইবিদ্রে হায়বা তারবদি মণিপুর মীয়ামসু খোল্লাউ খরদি লাউফম থোকই হায়নীংই। অসামদা লৈরিবা মীতৈ, মীতৈ পাঙলশিং অসি অতোপ্পা নৎত্রে, মণিপুরদগী চৎখিবা অহল-লমনশিং অদুগী চারোল-শুরোলনি। মসিবু খঙদবা কনাবু য়াওরিবগে মণিপুরদা? খন্দুনা অমুক্তা য়েংবীয়ু নাওরেম, লাইশ্রম, করাম, হিজম, খ্বাইরাকপমনচিংবা শাগৈ কয়াগী মীওইশিং চৎখ্রে। অদুনা তাকপদি অসামদা লৈরিবশিং অসি মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈ ঐখোয়গী ঈ মরীগী ওইবা মরী-মতা ঙাক্তা হায়বদু ওইরে। ইমুং-মনুং, মরী-মতানা অৱাবা তারক্লবা মমালোলবু মীরাইবিরকপগী লুরবা তাঞ্জা অমা লাক্লবা মতম অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্না তরাইনা লৌবা য়ারিব্রা?

অসামদা মীতৈশিং করম্না, করম্বা চহীদগী খুন্দাবা হৌখি, অসামগী নিংথৌ অমদি মণিপুরগী নিংথৌগী হাক্তক্তগী চারৌ মৌরৌনদুনা লাকখি হায়দুনা উৎপা মরীক চুম্না ইবা ৱাকৎ চেরোল লৈরে। মদুদা অসাম লৈঙাক্লা ঙাল্লিঙৈদগী মীতৈলোলনা মহৈ তম্বীবা স্কুল কয়া লীংখৎতুনা থম্বীরি হায়নসু পল্লিবনি। মদুগুম্বা মরীক চুম্বা ৱাকৎ চেরোল অদু মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোয় লূপশিংনা মশাগী লেট্টর হেদতা নমথোক্তুনা খূৎয়েক পীরগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট, অসাম গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টতা মীতৈলোলবু অসামগী এসোসিএট লেংগ্বেজ ওইহনগদবনি হায়দুনা তকশিনবা ফগনি। মসিদসু নত্তনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন (নেসো) নসু ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎননবা তকশিনগদবনি। অসামদা খুন্দাখিবা মীতৈশিং অসি মফমদুদা রিফ্যুজি ওইনা লৈবা নত্তে। নিংথৌরোলগী ফিদা অমা পীরগা খুন্দাখিবনি। অদুগুম্বা ফুরুপ অদুগী মমালোল ওইরিবা মীতৈলোলবু ঙসি ঙসিমক থওইবিরক্তবা হায়বসিদা মণিপুরদা লৈরিবা সিনিয়র সিটিজনশিংনসু ৱাকৎ চেরোল পীশিনবা চুমগনি। মখোয়গী চাউরবা থৌদাং লৈরি। খোরিলোলদা সহিত্য একাদেমি এৱার্দ অমদি অতৈ নেসনল এৱার্দ ফংলবা মীওইশিংনসু ৱাকৎ চেরোল পীশিনবা চুমগনি। ললিত কলা একাদেমি, সঙ্গিৎ কলা একাদেমি, থিএটর এৱার্দ ফংলবা মীওই কয়ানসু ৱাকৎ চেরোল পীশিনবা ফগনি। মখোয়শিং অসি লোলগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি। নাট, কলচরগা মরী লৈনবা লূপ, লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা লূপ কয়ানসু ৱাকৎ চেরোল থাবা ফৈ। মহৈ-মশীনগী লম্দা খঙ-হৈরবা একাদেমিসিয়নশিং লোলগী মরমদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনসু ৱাকৎ চেরোল থাবিবা চুম্মী খল্লি। ইন্টরনেসনল, নেসনলগী থাক্তা লৈরবা শান্নরোয়শিংনসু অচৌবা থৌদাং লৌহন্নীংই ইমালোলগীদমক। মণিপুরগী লুরবা তাঞ্জা কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অমুকো, য়ু সী এম, সী সী এস কে, ইপসা, হেরিকোন, য়ু পি এফনচিংবা লূপশিংনা ইমালোলগীদমক অসামদা লৈরিবা মীতৈলোল ঙাওবা ফুরুপশিংগী মতেং পাংবীবা ফগনি। মথক্তা পল্লিবা মীওই নৎত্রগা লূপশিং অসি মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙলশিং অনীমক্কীনি। মীতৈ মশীং য়াম্বা মণিপুরনা মীশিং য়ামদবা অসামগী মীতৈ, মীতৈ পাঙলগী মতেং পাংদনা কনানা পাংগনি। মখোয়না লাওরিবা খোল্লাউ অদুদা ঐখোয়না মতেং পাংশিল্লবদি অচৌবা অহৌবা খোল্লাউ অমা ওইদুনা অসাম লৈঙাক তাদবা ঙল্লোই। মখোয়গীদমক ঐখোয় লৈরি হায়বসিনি মরু ওইরিবদি।

মরম চাবনিনা লেট্টর হেদতা ৱাকৎ চেরোল অমখক থাবা হায়বসি অরুবা থবক নত্তে। হৌজিক্তি অমুক হেন্নসু লায়রে। ৱাদবু চেরোল অমখক হায়বা মদুগী মপাঙ্গলদি য়াম্না লৈগনি। মণিপুরদগী চেরোল ময়াম অমা য়ৌরক্লবদি অসাম লৈঙাকসু তিল য়োৎথরগা ৱাখল খন্থরক্তবা ঙল্লোই করিনা হায়ববু মীতৈলোলগী হৌরকফমসি মণিপুরদগী ওইবনিনা। অদুনা ৱাকৎ চেরোলগী ঈশিং ঈচাউ থোকহনসি। অসাম লৈঙাকসু য়াম্না মুন্না খন্থরগা হন্দক্কী ফিরেপ অসি লৌখিবা ওইরমগনি হায়বদি মীতৈলোলনা অমুক করি হায়রক্কদগে হায়বদু খন্থরমগনি। মীতৈলোলনা মহৈ তম্বীবা স্কুল লীংখৎলবা ফাওবদা লোল অসিবু হন্না য়েংবীরমদবা হায়বসিদি মনুংদা ৱা অমা লৈরমগনি খল্লি। ৱাফম অদুনা মীতৈ মচাশিং মীতৈ ওইনা উবা ফংংলক্তবা য়ারিবনি। ●

## কুমসিগী লাংবন হৈশোইসি হাউররোই

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

কুমসিদি লাংবন হৈশোইসি হাউরল্লরোই। চহী খুদিংগী লাংবন থাগী থানিল নুমিৎকী নোংমা কোনবদগী কৎপা হৌবা লাংবন হৈশোই কৎপগী থৌরম, কুমসি কুমগীসু ঙরাংদগী কৎপা হৌনখ্রে। অদুম ওইনমক কুমসি চহীসি লমদমসিদা মালেম থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎসি য়ৌরকখিবনা কৈথেলসু কানখিদ্রে, য়োনবগী থবকসু অমত্তা মওং-মরীল তানা তৌনখিদ্রে। তশেংনা হায়রবদা খুন্তাক লানশিবগা চপ মান্নখ্রে। অদুম্মকপু, মণিপুর লৈঙাক্লা লমদমসিগী মীয়ামগীদমক য়েংলগা নোংমা-নীনি মাঙওইননা কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎকা মরী লৈননা থল্লম্বা লোকদাউন লমদমসিদগী খজিক্তং কোমথোক্লকপসিদি খরদং ওইরসু ফৈ। অদুবু, থাখায় অমা চূপ্না চত্থগদবা লাংবন থাগী হৈশোই তম্বগী থৌরমনি, লোইবা নংদ্রিঙৈদা লোকদাউন অমুক্তসু হঞ্জিল্লক্কদ্রা হায়বসিগী মীপাইনৈ। জাৎ অমনি মতমসিগী থৌদৌসি। চহী খুদিংগী তম্পাক লমদমদা কৎনরিবা লাংবন হৈশোইশিং, মণিপুরগী চীংগী লমদমশিংদগী চীংমী ইচিন-ইনাওশিংনা পুরকপা হৈ-রাশিংনা অয়াম্বনি। অদুবু কুমসিদি চীংমীশিংনা লাক্লগা হৈ-রাশিং য়োল্লগদবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল হাংখিদবনা লাংবন হৈশোই তম্বগী থৌরমসি ইনীং তম্না লৈরগা কৎনীংবদা কৎপা ঙম্নরকখিদবনি। অসুম্না, মপূং ফানা অমদি মরাং কায়না কৎনীংঙাই লৈত্রবা কুমসি কুমগী লাংবন হৈশোইসি মহাওদি শোয়দনা ৱাৎলল্লগনি। কোরোনাভাইরস লায়নাগী অকিবনা লমদমসিদা মীপূম খুদিংমক মিপাইনবগী চাং হেঙ্গৎনরকই। থাজদ-থাজদবা কয়ামরুম, মশাদা সিম্পটোম অমা ফাওবা উখোল্লকপা তৌদনা লায়নাসি পোজিটিভ ওই হায়দুনা কোভিদ সেন্টরশিংদা লৈনবগী চাং অসুক্কী মতিক ৱাংখৎলক্লি। পান্বে লৈতে, লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অমদি শাগৈগী অহল-লমনশিং, কুমসি চহীসিমদি লাংবন হৈশোইসি মওং-মরীল তারল্লরোই। তঙাইফদনা তাইবঙ মীরমলেন্দা লৈহৌরিবা মচা-মশু ওইরিবশিং ঐখোয়না কৎতি কচ্চনীং, লৈবদি ফংজদা, অরৈবা-অফংবা খরনা লাংবন হৈশোই কচ্চরকপগী অশোয়-অঙামশিং খিবিক ঙাকপীরমগনি নীংজৈ।

হৈশোইদংগী ৱাসু নত্তে, কুমসি কুমসিমদি মথোং হুক্তবা কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎনা মালেম থুংনা শন্দোক্লকপদগী সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপদা লাংবনগী চাক্লেন চাকখাংদুনা শাগৈগী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অমদি অহল-লমনশিংগী মফমদা লাংবন চারা খুদোঞ্জবগী থৌরমসিমসু থিংজিনবীখিবগা চপ মান্নরে। লম-লমদগী লাক্লগা মীওই কয়ামরুম্না পূন্না চাকচা-হৈজামিন্নবগী থবক কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎকী মরমদা লাউথোক্লিবা এস ও পিগী অথিংবশিংনা য়াদে। মরু ওইনা, লূক য়েনগদৌরিবা লূক হৌবা কাঙবুশিংনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তুনা করম্না লূক খুল্লিবশিংদা লূক য়েল্লুগদৌরি? ফীভমসিদা ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং, অহল-লমনশিং পূম্নমক কুমসি কুমসিমদি তশেংনা লাংবন চাক্লেনগী ৱাফমসিমসু চারা হেনবগা পাঙ্খক ওইরল্লনি। চিন্দম্বগী থবকসি কুমসি কুমগী ওইনদি ফরক শোয়দনা তারল্লনি। থাজনবগী মতুংইন্না লূক খুনবদি লাকচররোই হায়রগা লাইবুংশিংদা য়ূম্নাক-শাগৈ, গোত্র (হিন্দু মৈতৈশিংগী ওইনা) নচিংবা পীনদুনা লূক খরখক হৌরগা কৎপীনবা লূক্কী মমলশিং লাইবুঙ পান্নবশিংদা কৎনববুদি য়াওদবা নত্তে। অদুম ওইনমক, থৌদৌসিমক্তি কুমসিনা কুমসি ওইখ্রসু, চহী খুদিংগী ওইনা চত্থবদি ফরক শোয়দনা তানরক্কনি। কোরোনাভাইরস হায়বসিনা ঙাল্লিবসি ঙমখ্রেদা! লাংবন থাগী চাক্লেন ফাওবা কুমসিসিমদি মফম-মরাং হেক খঙহন্দে। মৈতৈশিংগী লাংবন চাক্লেন কৎপগী ৱাফমদসু নৎত্রে, মুসলিম ইচিন-ইনাওশিংগী ইরাই নুমিৎকী মোস্কতা চৎতুনা পূন্না নমাজ শোনমিন্নবগী থৌরম, খৃষ্টান ইচিন-ইনাওশিংগী নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী চর্চতা কাদুনা প্রেয়র পাঙথোকমিন্নবগী থৌদৌশিংদসু লাইচৎসিনা মথোঙ-মরম অমত্তা খঙহন্দ্রে। কোভিদ-১৯ হায়বা মহীকসিবু নহানমুক্কী মপোক্তা মালেম থুংনা খুদুম চনগনি ৱাশকখিবা অচৌবা নিংথৌরেল অমনা হন্দক্কী মপোকসিদা লাংওল্লকপা জাৎলা, ওন্থোক্লা শাথীখ্রে। লাংবনগী হৈশোইসু মপূং ফানা কৎহন্দবা, চাক্লেনসু খুনবা ফংহন্দবা, কোরোনা হায়বসিনা ঙাল্লিবসি ঙমখ্রেদা! নাকল অমরোমদনা, কোরোনাভাইরসনা তাইবঙপানসিগী চৎনবীদা ইনৌ-নৌনা পারা অমবুদি তম্বীবগুমসু তৌরি। পোকপা, শিবগী কাঙলোনশিংদা মরম লৈতনা, মীয়াম পূনশিন্দুনা খরচ হেন্না চৎহনবগী থবক ফনা য়াম্না থিংজিনখ্রে। পোকপগী শকখঙ থৌরমশিংসু পিকশিন্না পাঙথোক্লহনখ্রে। শিবা মতমদা লান্ন-থৌরম পাঙথোকপগী থৌদৌশিংসু অকক্লবা মীওই খরখক্তগী হেন্না পাঙথোকপা য়াহনখিদ্রে। তঙাইফদনা ইমুং-মনুং অমদি মরী-মতা খক্তনা তৌদবা য়াদবশিংতমক পাঙথোকহল্লগা লোইশিনহল্লে। তশেংনমক কোরোনাভাইরসকী লায়নানা তম্বীরম্বা পোকপা শিবগী থৌরমশিংদা মতম শাংনা মাঙহন্দবা, খরচ কা হেন্না তিংহন্দবা অমসুং মীয়াম হুপ্লসু অৱাবা পীদবগী থৌদৌসিমদি তুং কোয়নমক চত্থহৌবদা খুন্নাইসি অফবা শোয়দনমক্কী ওইরক্কনি খল্লি। ফৈ, মালেম পূম্বগী ওইনা মীওই মশীং থিঙমদনা হাৎলক্লিবা লাক্ল-ফানা ঙমদ্রবা মীহাৎপা কোরোনাভাইরস লাইচৎসিগীসু অফবা অমত্তং হায়রবদি শুপ্নগী থৌদৌসিমখক লৈরল্লিবসি। থৌদৌসিবুদি ইরমদমগী তুংলমচৎতসু ঐখোয় পূম্বনা তেক্ত-কায়দনা শমথহৌবদা কান্নবা শোয়দনা ফংগনি।

ইরমদমসিদা তমথীরবা কোরোনাগী লায়না-লাইচৎসিনা লাকত্রিঙৈ মাঙওইননা ইরমদমসিগী মীয়াম্না হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা খঙলমদে। অদুবু ঙসিদি ইরমদমসিগী মীয়াম্না হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা নিংথিনা হৈনরে। হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবগী চপ চানা কান্নবদু ময়েক শেংনা খঙনরে। লোক থুংদুনা, নাতোন ফুন্দুনা, নুংশিৎনা মায়দা য়ৈবদা নুংঙাইতবা হেক ফাওরকত্রিবমখৈ মাস্ক উপ্পগী থৌদৌ লমদমসিদা হৈনৌ হায়বা য়ারমদবদুসু ঙসিদি ময়েক শেংনা হৈনরে। অমরোমদা, ইরমদমসিগী মীয়াম্বু খূৎ-শা নিংথিনা হামদোক্তুনা হকচাং লূ-নান্না লৈহনবদসু কোরোনা লাইচৎনা নিংথিনা তেংবাংবীরে। অদুম ওইনমক, পিক্লবা থৌদৌ মচা-মচা খরসিনা, লমদমসিবু মিৎনা কুপ্পদা য়োৎশিনগদবগী মখয়াৎ লাওনা কাথোক্তুনা চঙশিল্লক্লিবা কোরোনাভাইরস লায়নানা লমদমসিদা মাঙহল্লিবা থৱায় কয়ামরুমসিগদি চাংদম্নরুবা য়াবা নত্তে। কোরোনাভাইরস লায়নানা লমদমসিদা মীওই কয়াগী পুন্সিবু মন্তিক্লবদা নত্তনা, মশীং থিঙমদ্রবা মীওই কয়া-কয়াবুসু নাহল্লি, শিনীংচিত্তা অৱাবা কয়ামরুম পী। লায়নাসিগীদমক লাউথোকপা অথিংবনা মশীং খঙদনা লায়রবা ইমুং কয়ামরুম্বু হেন্না লায়রহল্লি, হিংবগী মমিসু শামহল্লি। থৌদৌসিনা চীংমী-তম্মী মচিন-মনাও অনীবুসু হন্দক্তি লাপথোক্লহল্লি। চহী খুদিংগী চীংমী ইচিন-ইনাওশিংনা চীংদা পানবা উহৈ-ৱাহৈ কয়ামরুম তম্মী মচিন-মনাওশিংগী লাংবন হৈশোই কৎপা নংনবা পুরক্তুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা য়োল্লবশিংদু কুমসিদি য়োল্লখিদ্রে। তম্পাক লমদমসিগী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং, অহল-লমনশিংদা কৎকদবা হৈশোই কুমসি কুমগী ওইনদি মওং-মরীল তানা, নিংথি-নুংঙাইনা কৎপা হায়বদু ওইখিদ্রে। পূম্নমকসি কোরোনাভাইরস লায়নানা থোকহল্লিবনি। লমদমসিদা কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎনা পীরিবা অকায়-অতোয়, অথিং-অরাক ময়ামসি শৈথাদুনা খক লোইবা নাইরোই। লাংবন থাগী মথংদা মেরা থা লাক্লনি। মেরা থাদনি তম্মী মচিন-মনাওশিংনা শুম্মাং ময়ায়দা মেরা ৱা য়ুংদুনা নুমিদাংদা মেরা থাওমৈ ৱাংনা থাল্লগা চীংমী মচিন-মনাওশিংগী মফমদা ‘তম্মী নচিন-ননাওশিং য়াইফনা পাল্লি’ উহনগদৌরিসি। থৌরমসি হৌদোকপা নুমিত্তা মেরা হৌ-চোঙবা থৌরম পাঙথোক্কনি। মেরা হৌ চোঙবা থৌরমদনি চীংমী-তম্মী মচিন-মনাওশিংনা সনা কোনুংদা পোৎ লান্নবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবসি। তমথীবা কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎসিনা কুমসিগী চীংমী-তম্মী অনী পোৎ লান্নবগী থৌরমসু, মেরা হৌ-চোঙবসু পাঙথোকপা য়াহনগদ্রা খঙদ্রি। খঙদ্রে, কনামতনা হায়বা ঙল্লোই। ইরমদমসি কোরোনাভাইরসনা মায়কৈ খুদিংমক্তা লাঙ্গোয় চনশিনখ্রবা ইরমদম অমা হায়বদু ওইরে। তাল্লি চত্তে, চৈরুই কান্নদে, ইকায় খঙদ্রবা কোভিদ-১৯ মহীকসিনা মালেমসিদা শাফোঙলক্তুনা মীওইবা খুন্নাইদা অকনবা মওংদা লান্দারক্তুনা মাঙহন্নবা হোৎনরি। মীওইবা খুন্নাইনসু কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা কোভিদ-১৯ মহীকপু মালেমসিদগী থাপ্না হোইদোকখিনবা লাক্লরি।

মালেমসিদা কোভিদ-১৯ মহীক লৈবনা মীপূম খুদিংমক অৱা-মিপাইনবগী পোৎলুমশিং পুনরি। থৌদৌসিনা ঐখোয় ইশা-ইশাগী থবকশিং অমত্তসু নিংথি-নুংঙাইনা অমসুং নীংবা থুংনা পাঙথোকপা ঙম্নদ্রি। তৌফম থোকপা ইথৌ-ইঙমশিং খুদিংমক, শুপ্নগী লায়নাসিগী অকি-তুজুংবা অমসুং অথিংবশিং মরক্তা, খোগোপ্পা পন্দুনা থম্নরি। করিগুম্বদা মফম-মতম নাইবা, মতম হেন্দোকখিবা য়াদবা থবকশিং খক য়াওরকপদা শুপ্নগী মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্লরি। অসিগুম্বা খুদোংথীবশিংসি ঐখোয় কৈদৌঙৈ কোকহনবা ঙমগনি? হীরমসিদনি পূম্নমক্লা নৈনরিবসি। তমথীরবা লায়না-লাইচৎসিনা মালেম লৈমাইসিদা মতম শাংনা লৈরিমখৈ ঐখোয় অসুক্কী মতিক ৱাগনি। লায়নাসি লায়েংবদদি ফহন্নীংই অদুবু ঙসি ফাওবদদি ফহনবা ঙম্মী তাদ্রি। ফরকপা কয়ামরুম থেংনরিবসি তশেংনা লায়নাদুবু লায়েংলগা ফহল্লকপগী ৱাফম ওইরল্লোই। ফরক্লিবশিংদু শুপ্নগী অনাবা মীশক্তুগী ইম্ম্যুন সিষ্টম ৱাংখৎহল্লগা মতম-মতমগী পেসেন্টদুনা উখোল্লকপা অনৌবা লায়ওংশিংদু খক্তদা লায়েংবা ওইরমগনি। লাইবক ফবা অমখক্তং হায়রবদি, কোরোনাভাইরস হায়বা লায়নাসি অনাবা মীদুগী ইম্ম্যুন চপ চানা ৱাংখৎলবদি মথন্তা ফজখিবা জাৎনি। নৎত্রবদি ঙসি ফাওবদা মালেমসিদা কোরোনাভাইরসকী মহীক ওইরিবা কোভিদ-১৯ শিহনবা ঙম্বা নৎত্রগা লাকশিন্দুনা থম্বা ঙম্বা হীদাক অমত্তসু মাঙজৌননা লৈরমদনা লায়নাসি করম্না লায়েংগনি? কোরোনাভাইরস হায়বা লায়নাসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লায়েংবা ঙল্লে তাদ্রি। অদুবু, লায়নাসি ঐখোয়দা চঙহন্দবদি ঙম্মী। ফীভমসিদা ঐখোয় ৱারেপ অমা লৌমিন্নবা তাই। ৱারেপ্পুদি, ‘শুপ্নগী কোরোনাভাইরসকী এস ও পিশিং খক্তং চেৎনা ঙাক্লা চৎমিন্নসি’ হায়বসিনি। ●